# মালেম লৈকোইপুঙগী শান্তিগী পাউজেল

**পাউজেঞ্জরিবা ঃ- য়ুনিভর্সেল ফেমিলি ওর্গেনাইজেসন (য়ু এফ ও)**
**সাউথ ইষ্ট এসিয়া, নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া, মণিপুর, ইম্ফাল**

*ৱাহৌদোক* - মালেম লৈকোইপুংগী ৱাথোক-লান্থোক খুদিংমক ৱারোইশিন পুরক্লবা তাইবঙ মপুগী য়াথংগা ইরোইননা মতম শাংনা খন্ন নৈনরবা তুংদা মালেম লৈকোইপুং অসি অপীকপা ইমুং অমদা পুনশিনমিন্নদুনা, মালেম অপূনবগী অমত্তা ওইবা লৈঙাক্লোন অমা শেনমিৎলোন অমদা চাকথুং ফিথুং মান্নবা ঙমখৈগী য়েৎনবা লৈতবা থৱায় অমনা থৱায় অমবু নিংথিনা ইকায়খুম্নবা উৎনদুনা ধর্ম্মদা য়ূম্ফম ওইদবা ঐখোয় ইপা অমখক্কী মচানি হায়বা য়ুম্ফমদা অচেৎপা থাজবা থম্নদুনা, নিংথিরবা লৈঙাকলোন অমগী চৎনলোনচৎনা মালেমগী মীপুম খুদিংমক অমদি থৱায় পানবা পূম্নমকপু কোনশিনমিন্নদুনা ইং তপ্পা, লাল লৈতবা মালেম অমা শেমদোকমিন্নবা মতমগী খোংলৈনা পুরকপা চক (যুগ) কয়াগী অহৌবা হয়ি চক অসিদা ঙসিগী মীরোলনা অশোয় অঙাম য়াওদনা, হাৎন-শুনবা য়াওদনা অনীশুবা নুমিৎকী মশেক মঙানগা লোয়ননা তাইবঙ মপুগী তাইবঙ শিন্থাগা ইরোইননা, ইংনা চিক্লা পানবা তাইবঙপান্দা চঙশিনমিন্ননবা য়ুনিভর্সেল ফেমিলি ওর্গেনাইজেসন অসি মালেমবু অহানবা লৈশেম্বীরম্বা অহানবা খুন্থোকপীরম্বা ঋতু তরুক্লা থৌগলবা লম, লাইবুনিংথৌ মাপন্না, পনঙাকপা লম, চীংলোন মাপন্না পনশাবা লম য়েক তরেৎ সলাই মাপন্না খুন্থোক লম, কংলৈপুং অসিদগী মালেম লৈকোইপুঙ অসিদা শাফোঙজরকপনি। মসিগী অকুপ্পা ৱারোল খঙবিনীংবা তাকপীনিংবা লৈবিরবদি ঐখোয়গী website :- www.universalfamilyorganisation.com অমদি email add :- nilakantakhuman@gmail.com দা য়েংবিয়ু অমদি থাবিরকউ।

মফমদা ঃ- মালেম লৈকোইপুংগী ইকায়খুম্নবগী মশক ওইরবা-ওইরবী, য়ুনাইটেদ নেসন, প্রসিদেন্টশিং, প্রাইম মিনিষ্টরশিং, য়ুনিয়ন মিনিষ্টরশিং অমদি এম পিশিং, চীফ মিনিষ্টরশিং অমদি কেবিনেটশিং, মিনিষ্টরশিং, এম এল এশিং, ইলেক্সন কম্মিসনশিং, দেমোক্রেসিগী য়াংলেন শরূ ওইবিরিবা ইকায় খুম্নরবশিং, ৱর্ল্ড বেঙ্ক অমদি মালেমগী বেঙ্কশিং খুদিংমক, ৱায়েল লোইশঙ, ধর্ম্ম খুদিংমক্কী লুচিংবশিং, নিংথৌরেল, মহারানিশিংগী, চারোল শুরোলশিং, নুংশিজরবা সাইন্টিষ্টশিং, হকশেল অমদি অনা-লায়েংগী লমদা লৈরিবশিং, মতম মতমগী টেক্নোলোজি কয়া শীজিন্নদুনা মালেমগী কৈথেলদা লমজেল তান্নরিবা অমদি লল্লোন ইতিক্কী শিনফম খুদিংমক্তা লৈবিরিবা লৈবিরিবীশিং, নুংশিরবা লৌমীশিং, তুংগী য়ূম্বীরেল ওইরক্কদৌরিবা নহারোল খুদিংমক অমদি থৱায় পানবা পূম্নমক্কী মফমদা পাউজেঞ্জরি, মদুদি মতমনা পুরকপা অকিবগী মশক ওইখ্রবা কয়া অমদি তমথীরবা মাঙ তাক্লক্কদবা অকিবগী মশক ওইরক্কদবা কয়াদগী কলহৌনবা মালেম লৈশেমলক্তগী হোংদোক হোংজিন লাক্লবা মালেমগী চৎনলোনচৎ অসি মতম মানা পুরকপা য়াওলদা অমুক হন্না হোংদোক হোংজিন তৌরক্তবা য়ানবা মালেম লৈকোইপুং অসি, অপীকপা ইমুং অমগা পাংখক, লৈঙাকলোন অমা, শেনমিৎলোন অমগী চৎনলোনচৎ অমদা পুশিলমিন্নদুনা চাকথুং, ফিথুং মান্নবা, মালেমগী মীপুম খুদিংমক হিংবগী হক চপ মান্নবা, ধর্ম্মনা য়ুম্ফম ওইদবা, খেন্নবা লৈতবা, ঙমখৈগী য়েৎনবা লৈতবা, নুপী ওইবিশিংগী ইকায়খুম্নবা মালেমগী মীপুম খুদিংমক্লা নিংথিনা ঙাক শেনমিন্নদুনা অৱাৎ-অপা লৈতবা ইমুং অমগী পাংখক ঈংনা চিক্লা পানবা য়ূম্বাল অমগুম, মপা অমখক্কী মচানি হায়বা য়ুম্ফমদা অচেৎপা থাজবা থম্নদুনা থৱায় অমনা থৱায় অমবু নিংথিনা ইকায়খুম্নবা উৎনদুনা, মতমগী খোঙলৈনা পুরকপা তাঙ্কক অসিদগীদি তাবদা অঙাওবগা পাঙ্খক ওইগদৌরিবা চৎনলোনচৎ অসিদা মীপুম খুদিংমক্লা মৈগী মশক ওইরবা অশাওবা পূম্নমকপু থাদোকমিন্নদুনা ঐগী-ঐগী লৈনরিবা লন-থুম খুদিংমক থম্মোয় শেংনা মালেমগী থাক্তা অমত্তা ওইনা কৎথোকমিন্নদুনা, কনাগুম্বা মীওই অমগী মীংদা, লৈবাক অমগী মীংদা করিগুম্বা মখল অমত্তগী লন-থুম লেপশিন্নদবা, নুপা খুদিংমক নিংথৌগা চপ মান্নবা নুপী খুদিংমক লৈমরেলগা চপ মান্নবা, লৈঙাকলোনগীদমক্তা মাগী মাগী কোল্লুপ-কোল্লুপ খাইদোক্লদুনা, লৈবাক অমগী লৈঙাকলোন অমত্তনা মখোয় মখোয়গী মীচম মীয়ামশিংদগী নাকোইননা অমদি হকথেংননা শেল তান্দুনা লৈবাক ঙাকপগী চৎনবী খুদিংমক হোংদোকমিন্নদুনা অমদি মীচম মীয়াম খুদিংমক্লসু হিংনবা অমদি মালেমগী চাওখৎলকপগী লমজেলদা য়াওনবা মনীং তম্না মায়কৈ-সলাই খঙদনা (শেলগীদমক) চেন্নরিবা খুদিংমকপু মাগী-মাগী কোল্লুপশিংদা হিংবদা চঙদ্রবা য়াদ্রবা অমদি চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিংদা চোকথবা নাইদনা হোৎনমিন্নদুনা, মালেমগী অঙাং খুদিংমকপু মাগী-মাগী চান্নগদবা শিনফম খুদিংমক্তা মহৈ-মশীন তম্বা হেক হৌবদগী মহৈ-মশীন তম্বা লোইবফাওবা মালেমগী মীপুম খুদিংমক্লা শরুক য়াদুনা শেম্মীন্নবা, মীপুম খুদিংমক মহৈ-মশীন তম্বা হেক লোইবগা মাগী মাগী চান্নগদবা শিনফমশিংদা চাং নাইবা থবক্তগী পোত্থাবা লৈতবা, তাইবঙ শিন্থা লোইদ্রিফাওবা (রিগুলর সার্ভিস) তা মানা ঙম্বতনা মানা তৌনবা, ইকায় খুম্নবতনা অপেনবা ওইনদুনা, খূৎশুমলগী খেন্নবা লৈতবা, চাকথুং ফিথুং মান্ননা য়েন্থোক্লবনা অপেনবা ওইনদুনা, লৈবা য়োনবা মুত্থৎতুনা, থবক ফংদবগী ৱাথোক লোইশিনমিন্নদুনা, ৱাথেক লান্থোক কয়াগী হৌরকফম ওইরবা অমম্বা ত্রান্সেক্সন করেন্সি খুদিংমক হোংদোকমিন্নদুনা মালেমগী বেঙ্ক খুদিংমক য়ুনিভর্সেল বেঙ্কতা অমত্তা ওইনা পুনশিনমিন্নদুনা মালেমগী কোল্লুপ খুদিংদা মীওইবগা থানবা য়াদ্রবা ময়ায় লোইশঙশিং থম্বীদুনা শেৎপা চাবা, লৈনবা য়ূম, মহৈ-মশীন তম্ফম, অনা-লায়েংগী লৌউ-শিংউ ঈথৈ-লৌখোং, লম্বী-থোং, পোৎ-চৈ পুথোক পুশিন চাওখৎ থৌরাংগী ঈ-পাউ ফাওনবগী লৈঙাক্লোন সাইন্স অমসুং টেক্নোলোজিগী অসিনচিংবা খুদিংমক মালেমগী ওইনা অমত্তা ওইবা মনুং মপান ফাওনা উবা ঙম্বা মীপুম খুদিংমক্লা শরুক য়ামিন্নবা অপূনবা লৈঙাক্লোন অমা শেমদোকমিন্নদুনা মালেমগী মীপুম খুদিংমক্কী মহৈ মশীন তম্বা হৌবদগী তাইবঙ শিন্থা লোইদ্রিফাওবা য়ুনিভর্সেল বেঙ্ক চেক্লা থানবা য়াদ্রবা শক্তাকচে ওইহন্দুনা মীপুম খুদিংমক্কী হোংবা য়াদ্রবা এ/সী নম্বর মশীং অমমম হৌরকফম লৈফম মায়থোংগী মমি খূৎশাগী মমি খূয়েক নিংথিনা য়াওরবা মালেমগী অমত্তা ঙাইরবা শেলগী ময়ায় লোইশঙনা ওইহনমিন্নবা, ৱায়েল লোইশঙশিংনা ৱাথোক পূম্নমক্কী ৱায়েলনবা ঙাইরগা লৈবগী মহুত্তা ৱাথোক পূম্নমক্কী মরুদগী নিংথিনা মুত্থৎমিন্নবা হোৎনমিন্নসি।

লল্লোন ইতিক্কী শিনফম খুদিংমক অমত্তা ওইনা পুনশিনমিন্নদুনা লল্লোন ইতিক্কী ৱাহৈ মুত্থৎলগা য়েন্থোক-য়েনশিন হায়না ওন্থোকমিন্নসি। মতমগী খোঙলৈগী টেক্নোলোজি কয়া শীজিন্নদুনা মালেমগী ফম্বাক্তা লমজেল তান্নরিবা মচাদগী অচৌবা ফেক্টরি খুদিংমক মালেমগী থাক্তা অমত্তা ওইনা পূনশিনমিন্নদুনা মীওইবা খুন্নাইদা শীজিন্নদ্রবসু য়াবা লালগী খূৎশু খূৎলায় মেছিন্নরি খুদিংমক মফম চানা লোইশিনমিন্নদুনা, মালেমগী অৱাৎ-অপা খুদিংমক মালেমগী থাক্তা নিংথিনা য়েংশিনমিন্নদুনা মালেমগী অনৌবা চৎন-লোনচৎ অসিদা অমত্তা ওইনা চৎমিন্নদুনা, তাইবঙবু শেম্বীরম্বা মপু অমদি খোইয়ূমলাইশিংগা হকথেংননা তোৎন-তিন্নমা চৎমিন্নগদবা হয়ি চক, চক যুগ কয়াগী অহৌবা মতম অসিদি অনীশুবা নুমিৎশু তাইবঙ মালেমসিদা মশেক মঙালগা লোয়ননা য়াকাইরকপগী মতম য়ৌশিল্লক্লবা মতম অসিদা মীসু লাইগা পাঙ্খক ওইবা লাইশিংসু মীওই লাইওই লোনদিন্নবা অনৌবা চৎন-লোনচৎ লাল লৈতবা মালেম অমা ওইহন্নবগী তৌদ্রবা শেমদোক্লবা য়াদ্রবা তাঙ্কক ওইশিল্লক্লবা মতম অসিদা ধর্ম্মগী লুচিংবা লুচিংবীশিং লৈঙাক্লোইশিংগী লুচিংবশিং য়েলহৌমী খুদিংমক্কী মীহুৎশিংনা মহৌশাগী খল কায়রক্লিবা অসি উমং-ৱামং কোকথোকপা কোল-করখানা অমদি গাড়ী, মী য়ামখৎলকপগী অচৌবা মরম ওইদে। হিংনবগী লানফমদা কোয়চেন চেন্নরুরবসু ঙসিদি মতম মানা পুরক্তুনা থৌৱাইমিচাক নিংথৌরেল শিদবা অমদি মালেম লৈকোইপুংগী ঋতু তরুক্লা থৌগলবা লম লাইবুনিংথৌ মাপলনা চীংলোন মাপল কোয়না পলঙাকপা লম য়েক তরেৎ, সলাই মাপন্না খুন্থোকপা লমগী মরুওইবা মফম মরিদা চুক ফাদুনা গ্রহশিংগী খোঙচৎ অমদি মহৌশাগী খলবু কায়দনবা লাইরোল তৌদুনা মখুম খুমদুনা অদুগুম্বা চুক অমগী মনাক্তা থল্লম্মী অদুবু ঙসিদি মীওইবগী খূৎশেমগী চৎন-লোনচৎনা তাইবঙ শিন্থা লোইদনা মপুগী নাক্তা হল্লখ্রবা থৱায় কয়াগী ৱাকৎকা লোয়ননা তাইবঙ মপুগী শিন্থা য়ৌশল্লকপনা লাইরোল তৌদুনা মাইখুম হাংদোকপনা মরম ওইরগা থৱাইমিচাক য়াইবিরেল শিদবা অমদি সলাইরেল শিদবা অঞ্জী (পোল ষ্টার অমদি গ্রেটবিয়ারনা) চীল্লোক্লরম্বদগী লৈখাইরক্তুনা মহৌশাগী খল কায়রক্লিবা গ্রহশিংগী খোঙচৎতা অহোংবা লাক্তুনা অনৌবা চক হৌরমদাই ঙাইহাক মমাঙদা লমন লৈতবা লাল মায়োক্লরক্কদৌরি, মসিগী মাঙওইননা ফুরুপ খুদিংমক্কী লুচিংবশিংনা মতম চানা খন্ন নৈনবা য়াওবিরনবা তাইবঙ মীওইবা অমদি থৱায় পানবা পূম্নমক্কী মফমদা পাউজেঞ্জরি।

***এন বি ঃ-*** *খঙবিগদবদি মহৌশাগী খল কায়রক্লিবসি তাইবঙ মপু মহাক্কী মতম য়ৌশিনলক্লে হায়বগীদমক মালেমগী থৱায় পানবা পূম্নমক্লা খঙজরসনু হায়বা অহানবা পাউজেলনি। মরম অসিনা মসিদা শরুক য়াবিরিবা অমদি মালেমগী মীপুম খুদিংমক্লা করিগুম্বা মখল অমত্তগী ময়াই কাবা চিঞ্জাক, চাহৈদবা চিঞ্জাক, য়েংহৈদবা মিৎয়েং অমদি হাৎপা তুপ্পগী ৱাখল্লোন খুদিংমক থাদোকপিদুনা তুংদা লাক্কদৌরিবা মীরোলশিং অমদি ঙসিগী মীরোলশিংদা তংদু লৈতাবা, ঈং তপ্পা, লাল লৈতবা মালেম অমা খুদোল তম্মিন্নরমসি হায়জবগা লোয়ননা মালেম লৈকোইপুং অসিদা পাউজেঞ্জরি।*




# খ্বাইদগী য়েংজনীংদবশিং

**– ডা. থৌনাওজম রুহিচান্দ –**
**এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর**
**দিপার্টমেন্ট ওফ উমংলাই হরাউবা**
**মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর**

*অঙাং* ওইরিঙৈদা ঐখোয়গী ইপুনা ইতৎ-তৎতনা হায় - নখোয়না তৌরিবা থবক্তু মীৎ ওন্থোক্লা নাখ্রেদা হায়না। তৌরিবা থবক্তু মীৎ-থা থুপ্তবা, য়াম্না য়েংনীংদবা, খোইদৌ য়াম্না শাউনীংবা থবকশিং অদু উবদা মীৎতু নাবনি হায়বসি ঐসু ঙসিদি খঙলক্লে। ঐনা ৱাখল হেক তারকপা মতমদগী ইরমদম অসিদা উদুনতা লাক্লিবা য়েংবদদি মীৎ য়াম্না নাবা খ্বাইদগী য়েংজনীংদবা খরদং খ্বাই মীয়ামগী মফমদা থমজগে।

১। ফৌহাম, ইস্কোলগী ফত্তবা এঙ্গাং-নাপীশিং মাগী-মাগী কোন্থোং মপাগী লম্বীদা হুন্দোক্লকপা।

২। লমদমসিগী লুক হৌবশিং অমদি লুকহৌবা বামোনশিংনা থোং-থাকপা অমদি চাক য়েনবদা ফুরিৎ অমত্তা লিৎতনা (শেগ্রাক মতু ইশাং শাং, মনঙ্গলদু হুমাংনা তপ তপ হেক তাবমখৈ) হোৎনরিবদু।

৩। য়ূমগী অমদি দুকানগী ফত্ত-হৌদিশিং বোরাদা হাল্লগা মমীৎ-মনা ক্রুক-ক্রুক য়েংলগা লম্বী মপান্দা, মীগী লবুক মপান্দা, খোংবান্দা, তুরেলদা থাদরম্বা।

৪। মীয়ামগী খুদোংচানবা লৈরিবা লম্বী অমদি ইরম খোঙলমগা করিমত্তা য়েংদবীদা য়াম্না নক্লা য়ূম শাজিল্লকপা অমদি শম্বল খাজিল্লকপা।

৫। মীয়ামগী ওইবা মপান থোকফম অমদি খোঙ হামফমদা ঈশিং য়াওদনা খোঙ হামজিল্লম্বশিং।

৬। ইকায়থিগনবী মপোক্তা পোক্লীবী নুপীশিংনা অউবা মীনা ওইনা ইকায়নরবা ফিরোল অপাবা অমদি মতৎ-মরাং শেৎ চাবা।

৭। অফবা নৎত্রগা ফত্তবা থবক কয়াম তৌরুবগীনো খঙদে ভি আই পিশিংদা য়োল্লিবা অমদি লম্বীদা ঙাকহল্লিবা সেক্যুরিটি পার্সনেলশিং।

৮। ঈশৈ অমদি লীলানচিংবা কুম্মৈ-হরাউ পাঙথোক্লম্বগী লম্পাক্তা, লাইবুংদা, কম্যুনিতি হোলদা চাইহৌরিবা মপু পান্দ্রবা প্লাষ্টিক্কী অমোৎ অকায়শিং।

৯। লৈবাক্কী ঈহৌ হৌবদা লম্বী থিংবগী মীংদা ফত্ত হৌদি লম্বীদা পুথোক্তুনা হৈদোকহৌবা অমদি গাড়ী টায়র মৈ থাদোকহৌবা।

১০। তরা নৎত্রগা পাইপ ফুম্বগী লম্বী তৌথোক্লগা ফজনা মেনশিন্দনা থল্লম্বা অমদি পাইপ তিংদুনা ঈশিং চিংলম্বগী লম্বীদা থোনজিল্লম্বা লৈবাক্তু লৌথোক্লমদবা।

১১। তঙাইফদনা ঙাইহাক্তং থল্লগা ময়ূম-ময়ূমদা শৎ-শৎ হোনজিনখিগদবা নূং, লৈঙোইনচিংবা কায়দু চহী ১ রোম পৈরগা থম্বা অদুগা লেমখাকশিংসু ফজনা লোইশিল্লমদবা।

১২। লৈবাক অমদি ষষ্থি, ফত্ত হৌদি হোনবা গাড়ীশিংনা মীয়ামগী ফজখ্রবা লম্বীদা মতৎ-মতৎ তাহল্লম্বা।

১৩। মচা-মশু শেম্বগী মীংদা অঙাংশিংনা মশা-মশানা লাইরিক ঔরাইবগী মতম, শাজেল তৌবগী মতম, খুন্নাইগী চৎনবী থৌদোক ৱাথোকশিংদা শরুক য়ানবগী মতমগা অমত্তা পীদবমখৈ মীগী থোঙ্গালদা ত্রাফিক জাম থোকহনবমখৈ কার পরেং পরেং খামদুনা মচা ট্র্যসন তৌবা শেন্নরিবশিং।

১৪। ময়াই কাবা চিঞ্জাক- য়ু, গুলি, গঞ্জানচিংবা য়োনফমদগী হেন্না তুক্কচরবা য়াম্না লেম্না লেম্না হাংনরিবা ইনখৎলক্লিবা নহারোলশিংদগী লমচৎ শাজৎ অমদি পুন্সি মাঙনফম ওইরিবা লমদমসিগী রেষ্টুরেন্টশিং।

১৫। ঈথৈ-লৌখোংগী থৌরাং অমত্তা য়াওদ্রবা নাপী ফাওবা ফজনা হৌদ্রবা ঐখোয়গী লৌবুকশিং।

১৬। অঙাং পোরগা ছাটিন তুপ্তুনা মোড়াদা ফমগাইরগা ক্বা জর্দা পৈথদুনা চারগা এন আর ঈ জি এসকী থবক শুবদা তনবা অমদি মরৈ তৌবা তান্নবগী ত্রেনিং য়াওরীবশিং।

১৭। মীয়ামগী হকচাংগীদমক করিমত্তা খন্দনা মাগী গাড়ীদগী থোরকপা মৈখুনা লম্বীগা পূম্মম মমহল্লিবা মীওইশিং।

১৮। ইশাগী লমদা তৌজবনি হায়দুনা মৈখুদুদি মাগী লম মনুং অদুতদা লৈহনবদি ঙমদনা প্লাষ্টিক, রবরনচিংবা ফত্ত হৌদি মৈ থারিবশিং।

১৯। মহৈরোয়দি লৈত্রবনিনা ওজাশিং ফম ফমদুনা থাগী তলব ঙাইবদা ৱাজরবা গভর্ণমেন্ট স্কুলশিং।

২০। নহানমখৈদি উনজগে হায়রফাওবদা উনবগা অমত্তা ফংদ্রবা, ভোট ময়াদা য়ূমথোং খুদিংদা ভিক্ষা নিবা লাক্লিবা চুহি মরুপশিং।

২১। লৈবাক্কী থৌদোক ৱাথোকশিংগী মতাংদা, চাওখৎ থৌরাংগী মতাংদা ৱা খন্নসি হায়বদদি থোরক্ত্রগা ইলেক্সনগী মিটিংদদি চিক্লা চাইনবা ঙমদ্রিবা মীয়াম।

২২। মতম চানদি ইরম খোংলম শেংহৌদ্রগা ঈশিং ফুনগৎলে হায়দুনা খোংবানগী অপুম-অশাদু জে সী বিনা কোৎখৎলগা লম্বীদা পৈশিল্লম্বা।

২৩। লাইগী ময়েক য়াওরি অমদি মহৈগী লাইরেম্বীমক্লি খন্দুনা খোঙনা শোকপদদি লাইবক্কা কৎনরিবা লাইরিক অমনবা, পাউচে অমনবনচিংবা কয়াবু চাকচা-হৈজানবগী ফিদা ওইনবা।

২৪। ইনভাইরোনমেন্ট দে পালন তৌবদা মোটোর সাইকল পরেং পরেং থৌদুনা রেল্লি চৎপা।

২৫। ইরমদমগী পোত্থোক্তি য়াওদবগা চপ মান্নরবা মীরমদগী পুশিল্লকপা পোৎ চৈশিংতনা পীক থলহল্লগা লেল্লবনি খন্দুনা ফম্নরিবা দুকানশিং।

২৬। শিংজু-বোরাবু হন্থবা থাক্কীনি খলহন্দুনা চৌ, মোমো, মেক্রোনিদা লাইচুহল্লিবা লমদমসিগী মওং তাদ্রবা চা বোরাগী হোটেলশিং।

২৭। লম্বীদা, কৈথেলদা থবক শুবদা মমায়-মমিৎ খুমদুনা মশক লোৎলিবা য়োং ইকাইথিবীনা ওল্লকপা মীতৈশিং।

২৮। শা-য়েন তাওদুনা অমদি থোংদুনা য়ুগা পূন্না য়োনবা হোটেলশিংনা পুংকোয় কোয়শিল্লগা লাই হরাউরীবা উমংলাই লাইবুংশিং।

২৯। হাওসি শান্নফমদা দুর্গা অমদি পান্থোইবী লাৎশিল্লিবশিং।

৩০। পেসেঞ্জর পুবা গাড়ীশিংনা ভুৎ থোকপা হায়রগসু খঙনবা মোটোর ভেহিকল দিপার্টমেন্টকী ষ্টাফশিংনা লম্বীদা ওফিস ওইশিন্দুনা ত্রাফিক জাম থোকহনবা।

৩১। মতম চাদনা অমদি ফমফম নুংঙাইতনা চাক পীজবননি খঙদে নৎত্রগা লেমহন্নবসিনা চাওখৎপগী মতৌ ওইবনরা খঙদে, চাকচা-হৈজানবগী চাক্লক্তা লেমহল্লিবা চাক-এঙ্গাং ময়াম।

৩২। শোমদনা শেৎন-খাইনখিবগী কপ্না লাউনরিঙৈদা শোরাৎ শোনফমবু ঈশৈদা শেন থাবগী হিদান্নফম ওন্থোক্লকপা

৩৩। ভোটকী লাং থাকপদগী ওইখিবা লুহোংবা, সোরাতনচিংবদা মীয়াম মমাঙ ফম্বশিংদা শেল থাবগী চৎনবী অসিনা মখুউশিংদু থাংগৎতুনা কৃক কৃক ইন্ননা ফল্লিবা অহলশিং।

৩৪। মীরমগী চৎনবীদা য়ূম্ফম ওইরগা ইপা ইপুগী চৎনবী মথক-মখা ওন্থোক্তুনা মনিং মখা তৌনা মমিংগী মতুংদা য়ূম্নাক্লা থংদুনা ইরিবশিং।

৩৫। কৈথেল হায়বা ৱাহৈসিগী মহুত্তা বজার হায়না থাদুনা থেৎলিবা সাইন বোর্দ অমদি হোর্দিংশিং।

৩৬। ইকোন (পুখ্রি), তুরেল, খোংলম অচৌবশিংদা ঈশিং য়াম্না লৈরিবদু ফজনা শেংদোক্তুনা শেম শাবদি তন্দুনা ফৈ ফত্তেসু খঙদবা গাড়ীদা হোনবা ঈশিং ওইনা লৈরিবশিং।

৩৭। আর আর আর এল এফকী লাইরিক, ফর্নিচর, কম্প্যুটর সেট, বিল্ডিং গ্রান্টকী ফংলবা অদুগা থোংদি অদুম লোন্দুনা লৈবা ক্লব/এন জি ও লাইব্রেরিশিং।

৩৮। মহৈরোয়শিংবুনা ফনেক শেৎহল্লগা শারি ফুল শেৎলিবী ওজা নুপীশিং।

৩৯। সিফাই ফনা ওইনবগীদমক শিবা নাবা কিনদ্রবা অতোপ্পা মশাগা চানবা শিনফম থিবা ঙমজদ্রবা লুপা লাক্ষ ১০/২০ পুথোকপা ঙম্বা লমদমসিগী নহারোলশিং।

৪০। হন্দক্তা দিমোনেটাইজেসনগী মতাংদা নোংয়াই মতুংদগী হৌগৎতুনা বেঙ্ক, এ টি এম মমাঙদা ক্যু লেপ্লিবী নুপীশিংনা মচিনবাল ঙাংশং ঙাংনা জর্দা মতপ-মতপ চারিবীশিং।